# ‘ইমাগী নিংথেম’ পুনে
## ইন্টরনেস্নেল ফিল্ম ফেষ্টিবেলদা উৎখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, জানু ১৪:* হৌজিক চথরিবা ১২ শুবা পুনে ইন্টরনেস্নেল ফিল্ম ফেষ্টি বেল, ২০১৪গী ‘জেমস ফ্রোম এন এফ এ আই’ সেক্সনগী মখাদা খনগৎলবা ইন্দিয়াগী ফিল্ম তরেৎকী মনুংদা অরিবম শ্যাম শর্ম্মনা লমজীং-লমতাকপা অমসুং মালেমগী ওইনা শীংথানখ্রবা মণিপুরি ফিল্ম- ‘‘ইমাগী নিংথেম (মাই সন মাই প্রেশিয়স)’ হায়বা অসিসু য়াওদুনা ঙসি উৎখ্রে।

‘ইমাগী নিংথেম’ হায়রিবা ফিল্ম অসি নেস্নেল ফিল্ম আর্কাইভ ওফ ইন্দিয়া (এন এফ এ আই)না দিজিটাইজ তৌখ্রে। আর্কাইভ অসিনা পুন্না ফিল্ম ৫৬৬ দিজিটাইজ তৌখ্রে । ফিল্ম ৩২৯ দি ঙসি ফাওবদা রেষ্টোর তৌখ্রে। থবক অসি নেস্নেল ফিল্ম হেরিটেজ মিসনগী মখাদা পাঙথোকপনি। সেক্সন অসিগী মখাদা উৎখিবা অতৈ ফিল্মশিং অদুগী মনুংদা কেতন মেহতানা লমজিং-লমতাকপা ভাভনি ভাভাই (গুজরাতী), পট্টাভিরামি রেদ্দিগী শংস্কারা (কন্নড়া), নরসিংঙ্গা রাওগী দাসি, জোন অব্রাহমগী অগ্রাহরাথাল কাজুথাই (তামিল), জহনু বারুৱাগী হালোধিয়া চোরায়ে বাউন্দান খাই (আসামিজ) অমসুং অরাবিন্দন্না লমজিং-লমতাকপা ইষ্টাথাপ্পান হায়রিবশিং অসিসু য়াওরি।

ইমাগী নীংথেম অসি চথরিবা ১২ শুবা পুনে ইন্টর্নেস্নেল ফিল্ম ফেষ্টি বেলগী জেমস ফ্রোম এন এফ এ আই সেক্সন্দা ব্লু-রে ভর্জন্দা ঙসি সিটি প্রাইদ, স্কৃন ফাইভ, অভিরুচি, পুনেদা উৎখ্রে হায়রি।

মিনিট ১১০তা শাংবা অমসুং লমজা অমগী ৱারিদা য়ুম্ফম ওইবা ইমাগী নীংথেম অসি ইং ১৯৮২দা পাঙথোকখিবা নান্টেস ইন্টর্নেস্নেল ফিল্ম ফেষ্টি বেলদা গোল্ডন মোন্টগোল্ড ফ্যাইর এৱার্দ ফংখি। ফিল্ম অসিনা ইন্দিয়াগী মনুংদা ইন্টর্নেস্নেলে এৱার্দ অসি ফংবা ইহান হানবা ফিল্ম ওইখি।